# সনালৈবাক স্পোর্টস

**IMPHAL, SATURDAY, OCTOBER 13, 2018 PAGE 7**




*এসিয়ান পেরা গেমসকী নুপীগী ইন্দিভিজুয়েল রেপিদ পিস্তল চেছ ইভেন্টকী ফাইনেলদা রোসলিন্দাবু ১-০ দা থোইদুনা গোল্ড লৌখ্রবী ইন্দিয়াগী কে জেনিথা এন্টো*

*চাইনাগা শান্নগদবা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচশিংদা ইন্দিয়া টিমগী কেপ্টেন ওইবগী থৌদাং লৌগদৌরিবা সন্দেস জিংগাম*



## য়ুঠ ওলিম্পিকক্সতা ইন্দিয়াগী লক্ষ সেন বেদমিন্টনগী ফাইনেল চংখ্রবনিনা মেদল অমদি শোইদনা ফংলগনি



*য়ুঠ ওলিম্পিক গেমসকী বেদমিন্টন দিসিপ্লিনদা ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই লক্ষ্য সেননা হরাওবা উৎপা*

ব্যানোস এয়রস, ওক্টোবর ১১ ঃ

আর্জেন্টিনানা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অসিগী কোনুং ব্যানোস এয়রসতা চথরিবা য়ুঠ ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী সট্টলর লক্ষ সেন নুপাগী সিঙ্গলসকি ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা মায় পাক্কুনা ফাইনেল চংখিবনা ইন্দিয়া মেদল অমদি শোয়দনা ফংলগনি।

ব্যানোস এয়রসতা চথরিবা গেমস অসিগী মনুং চন্না নুপাগী সিঙ্গলসকি বেদমিন্টনগী সেমি ফাইনেলদা হন্দিয়াগী সট্টলর অসিনা জপানগী সট্টর কোদাই নারাউকাবু গেম ২-১দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চংখিবনি।

ব্যানোস এয়রসতা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী বেদমিন্টন সেমি ফাইনেল অদুগী অহানবা গেমদা ইন্দিয়াগী লক্ষ সেননা অনীশুবা সিদেদ ওইরিবা জপানগী সট্টর কোদাই নারাউকাগী মখুৎতা ১৪-২১দা মায়থিখি।

অহানবা গেমদা মায়থীখ্রবা ইনিদয়াগী সট্টলর অসিনা মখা তাবা গেমশিংদা চেকশিন্না শান্নরকপদগী মথং মথং মায় পাকপদগী মেটচ অদু থোইখি।

শান্নখিবা মেটচ অদুগী অনীশুবা গেমদা লক্ষ সেননা ২১-১৪দা থোইদুনা গেম অমমম দা মান্নহনবা ঙমখি।

গেম অমমম থোইনরবনা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী অহুমশুবা গেমদা সট্টলর অনীমক অকনবা লম্বা মায়োক্লখি। অদুবু ইন্দিয়াগী সট্টর লক্ষ সেননা গেম অদু ২৪-২২দা থোইবদগী সেমি ফাইলেন মেটচ মায় পাকহনখি।

লক্ষ সেননা বেদমিন্টনগী ফাইনেলদা মঙাশুবা সিদেদ ওইরিবা চাইনাগী সীফেঙ লিগা ইরাই নুমিৎতা থেংনরগনি। য়ুঠ ওলিম্পিক গেমসকি বেদমিন্টনদা নুপাগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী ঐচ এস প্রনোইনা কুমজা ২০১০দা সিঙ্গাপুরদা পাঙথোকখিবা এদিসনদা সিলভর মেদল ফংখিবনা লক্ষ সেননা য়ুঠ ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী অনীশুবা মেদল ফংবা ঙম্বা শান্নরোই ওইরগনি।

অমরোমদা ব্যানোস এয়রসতা চথরিবা য়ুঠ ওলিম্পিক গেমস অসিগী মনুং চন্না ঙসি শান্নখিবা নুপীগী হোক্কি পুল এগী মেটচ অমদা ইন্দিয়ানা সাউথ অফ্রিকাবু পাঞ্জল ৫-২দা মায়থিবা পীদুনা ক্কার্টর ফাইনেল চংখ্রে। শান্নখিবা মেটচ অদু ইন্দিয়ানা মায় পাকখিবনা পোন্ট ১২ ফংদুনা পুলগী অনীশুবা মফমদা লৈরি। ইন্দিয়া য়াওবা পুলসিগী মকোক ইথং থংবদনা আর্জেন্টিনানা ওইরি।

ইন্দিয়া অমসুং সাউথ কোরিয়াগী মরক্তা শান্নখিবা প্রি ক্কার্টর ফাইনেল মেটচ অদুদা ইনিদয়াগী শান্নরোই মমটাজ খাননা পাঞ্জল অনী শান্নবগী ২শুবা অমসুং ১৭শুবা মিনিটতা চনখি। অদুগা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নারোই রীট, লালরেসিআমী অমসুং ইসিকা চৌধরিনা পাঞ্জল অমমম মথং শিংনা শান্নবগী ১০শুবা, ১২শুবা অমসুং ১৩শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমমম চনখি।

সাউথ অফ্রিকাগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু ইন্দিয়াগী রীটনা না পঞ্জল চনখিবা শান্নবগী ১০শুবা মিনিট অদু লাম্থোকত্রিঙৈদনি।

পনবা য়াই, ব্যানোস এয়রসদা চথরিবা য়ুঠ ওলেম্পিক গেমস অসিদা ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কি টিমনা মেটচ মঙা শান্নবগী মনুংদা মেটচ মরি মায় পাকখি।

## সুলটান ওফ জোহর কপতা ইন্দিয়া গ্রেট বৃটেনগী মখুৎতা মায়থীখ্রে

জোহোর বাহরু, ওক্টোবর ১২ ঃ

মালেসিয়াগী সিটি জোহোর বাহরুদা চথরিবা সুল্টান ওফ জোহোর কপ হোক্কি টুর্নামেন্টতা ইনিদয়াগী জুনিয়র টিম গ্রেট বৃটেননা পাঞ্জল ৩-২ দা থোইরম্বদগী টুর্নামেন্ট অসিদা অহানবা ওইনা মায়থিবা নংখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী হোক্কি টিম অসি লীগ মেটচতা মকোক ওইদুনা মাঙজৌননা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবনি।

শান্নবগী অহানবা হাল্ফ হৌরকপা ৫শুবা মিনটতা ইনিদয়াগী শান্নরোইশিংনা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমদা বিষ্ণুকান্ট সিংহনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি।

শান্নবগী ৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা শোথরবা বৃটেনগী শান্নরোইশিংনা য়াম্না থুনা চথরকখিবা এটেক অমদা কেমেরুন গোল্ডননা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১-১ দা মান্নদুনা লৈখি।

শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা ইনিদয়ানা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমদা টিম অসিগী শান্নরোই সিলানন্দ লাক্রানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা গ্রেট বৃটেনবু ইন্দিয়ানা ২-১ দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মিনট ১০ রোমগী মতম অদু শান্নরকপদা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা ঙমখিদবদগী হাল্ফ অদু লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়ানা গ্রেট বৃটেনবু পাঞ্জল ২-১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা পাঞ্জল অমা শোথদুনা লৈরিবা গ্রেট বৃটেনগী শান্নরোইশিংনা অহেনবা পাঞ্জল থিদুনা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংদা অকনবা প্রেসর পীদুনা শান্নরকখি।

শান্নবগী ৩৯শুবা মিনটতা গ্রেট বৃটেনগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখিবা অদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা টিম অসিগী শান্নরোই ষ্টোর্ট রুসমেরেনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ২-২ দা মান্নদুনা লৈখি।

পাঞ্জল মান্নরবা মতুং টিম অনীমক অকনবা এটেক তৌনদুনা মায় পাক্লনবা হোৎনদুনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা লাক্লরকখি। শান্নবগী ৫১শুবা মিনটতা গ্রেট বৃটেনগী শান্নরোইশিংনা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমদা টিম অসিগী কেপ্টেন ইদৱার্দ ৱেনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ইন্দিয়াবু ৩-২ দা মায়থিবা পীরমখি।

## সাংহাই রোলেক্স সেমি ফাইনেলদা ফেদরর অমসুং বোরনা কোরিকক্কা অদুগা এলেকজেন্দর জ্বেরেভ অমসুং নোবাক জোকোভিক থেংনরগনি

*সাংহাই, ওক্টোবর ১২ ঃ*



চাইনাগী সিটি সাংহাইদা চথরিবা এটিপি টেন্নিস টুর্নামেন্ট রোলেক্স মাষ্টর্সতা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর ক্কার্টর ফাইনেলদা মায় পাকখিবনা সেমি ফাইনেলদা ক্রোএসিয়াগী বোরনা কোরিকক্কা থেংনরগনি। নুপাগী সিঙ্গলসকি অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদা জর্মনিগী এলেকজেন্দর জ্বেরেব অমসুং সরবিয়াগী নোবাক জোকোভিক লম্বা পানরগনি।

রোলেক্স মাষ্টর্সকি অহানবা ক্কার্টর ফাইনেল মেটচতা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা নিপানশুবা সিদেদ ওইরিবা জপানগী কৈ নিসিকোরিবু অহানবা সেট ৬-৪ থোইখি। মেটচ অদুগী অনীশুবা সেটতা কৈ নিসিকোরিনা রোজর ফেদররবু থোইননবা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা শান্নরকপদগী অকনবা লম্বা মায়োক্লরবসু রোজর ফেদররনা টাই ব্রেকতা ৭-৬(৭-৪)দা থোইবদগী সেমি ফাইনেলগী লম্বী য়াৎখি। রোজর ফেদররনা ক্রোএসিয়াগী বোরনা কোরিকক্কা সেমি ফাইনেল শান্নগনি।

১৩শুবা সিদেদ ওইরিবা বোরনা কোরিকনা চাইনাদা চথরিবা টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী মনুং চন্না শান্নাখিবা অতোপ্পা ক্কার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা অষ্ট্রেলিয়াগী মেথিউ ইবদেনবু ষ্টেট সেটতা মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

বোরনা কোরিক অমসুং মেথিউ ইবদেননা শান্নখিবা ক্কার্টর ফাইনেল মেটচ অদুগী অহনবা সেট ক্রোএসিয়াগী শান্নরোই অসিনা ৭-৫দা থোইখি। অনীশুবা সেটতসু ক্রোএসিয়াগী ষ্টার বোরনা কোরিকনা লাকশিন্না শান্নবদগী ৬-৪দা মেথিউ ইবদেনবু থোইখি।

চাইনাগী সাংহাইদা চথরিবা টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকি অতোপ্পা মেটচ অমদা জরমনিগী এলেকজেন্দর জ্বেরেবনা ব্রিটেনগী কাইল এদমুন্দবু ষ্ট্রেট সেটতা য়াম্না লায়না মায়থিবা পীরমদুনা সেমি ফাইনেল রাউন্দ চংখ্রে। ক্কার্টর ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট জ্বেরেবনা ৬-৪দা থোইরম্লবা মতুং অনীশুবা সেটসু ৬-৪দা থোইখি।

সাংহাই রোলেক্স মাষ্টরস এটিপি ৱার্ল্ড টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকি অরোইবা ক্কার্টর ফাইনেল মেটচতা সরভিয়াগী নোবাক জোকোবিকনা সাউথ অফ্রিকাগী কেভিন এন্দরসনবু মায়থিবা পীরম্বনা সেমি ফাইনেলদা মরীশুবা সিদেদ ওইরিবা এলেকজেন্দর জ্বেরেবকা শান্নরগনি।

অরোইবা ক্কার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা সেটতা অনীশুবা সিদেদ ওইরিবা সরভিয়াগী নোভাক জোকোভিকনা তরেৎশুবা সিদেদ ওইরিবা সাউথ অফ্রিকাগী কেভিন এন্দরসনবু টাই ব্রেকতা ৭-৬ (৭-১)দা থোইখি। সেট অমা মাঙজিল থাদুনা শান্নরিবা নোবাক জোকোভিকনা অহেনবা খুদোংচাবা লৌদুনা ক্কার্টর ফাইনেল অদুগী অনীশুবা সেটসু য়াম্না লায়না ৬-৩দা থোইবদগী মেটচ মায় পাকখিবনি।

অমরোমদা চাইনাগী সিটি সেংহাইদা থা অসিগী৭তগী হৌদুনা চথরক্লিবা সাংহাই রোলেক্স মাষ্টরস এটিপি টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকি ফাইনেলদা কলম্বীয়াগী জুআন সেবাষ্টিয়ান কাবাল অমসুং বোবার্ট ফারাহ ফাইনেলগী মফম কনবা ঙমখ্রে।

নুপাগী দবলসকি ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা কলম্বীয়াগী পেয়র অসিনা ব্রিটেনগী জামে মুররে অমসুং ব্রাজিলগী ব্রুনো সোরেসগী পেয়রবু ৬-৩, ৬-৪দা মায়থীবা পীরমখি।

## ‘ভারতকী ওইনা মণিপুরদা ৱুমেন ফুটবোল একাদেমী অমা হাংবা তাই’

### এল. কালা, উরিপোক

মণিপুরদা নুপী ফুটবোল শান্নবগী থাক অসি হৌজিক শান্নরীবা থাক অসিদগী খজিকতং হেনগৎনবা অখন্নবা মীৎয়েং চংদুনা অখন্নবা থৌরাং অমা থবক ওইনা হোৎনদুনা পাঙথোক্তুনা হোৎনবা মতম চপ চারে। ভারতকী ওইনদি ভারতনা নুপী ফুটবোল হেক হৌরকপদগী ঙসি ফাওবদি মণিপুরনা ভারতকী অতৈ ষ্টেটশিং খুদুম চন্দুনা লাক্লী হায়বদি নেস্নেল সেমিনার ৱুমেন চেম্পিয়নসিপ ২৪ রক পাঙথোকপদা মণিপুরনা ১৯লক চেম্পিয়ন ওইরম্লবনি। ভারতকী ওইনদি মণিপুরনা খুদম চনবা ঙম্লীবা অসিদগী শান্নবগী থাক অসি খজিক্তং হেনগৎপা ঙম্লবদি শোইদনা এসিয়ান লৈবাকশিংগী মনুংদসু মকোক থোংবা লৈবাকশিংগী মনুংদা চন্দুনা ফিফা ৱুমেন ৱার্ল্ড কপ শোইদনা ক্কালিফাইদ ওইদুনা ৱার্ল্ড কপ শান্নবা ঙম্বা নুপী ফুটবোল্লর শোইদনা মশিং য়াম্না পুথোকপা ঙম্বা মণিপুর অমদি ভারততা ওইগনি। পুম্নমকসি মংফাওনবগীদমক অখন্নবা মীৎয়েংগী অখন্নবা থৌরাং অমা পাইখৎপা হাইবসিদা শেল থুমগী অচৌবা চাদিং অমা মাইয়োক্লগনি মসি কনানা পুথোক্কনি হায়বসিনি। অচৌবা চাদিং অমা মথৌ তারকপদি অম্ফানসু ঙম্বা ওইবা য়াবা নত্তবনিনা মণিপুর লৈঙাক্লা পুম্নমক পুথোকপা অমা অহানবগী ওইনা চংলি লোইননা ভারত ময়াই লৈঙাকপু পুক্লিং চীংশিন্দুনা মরম চাবা কয়া অমা খুদম পীদুনা লমদমসিদা নুপী ফুটবোল শান্নবগীদমক ভারতকী ওইনা তাকপী তম্বীনবা মফম অমা থম্বীনবা হায়বা তাই থম্বা তাই, মরমদি মণিপুরনা ভারতকী ওইনা মহুৎশিন্দুনা শান্নবগুম তৌরিবা অসিগী থাক অসি খজিক্তং হেনগৎলবদি এসিয়াগী থাক অসি খুৎনা লাম্বা ফংলগদৌবগুম্বনি। পুম্নমক্লা খংনরবা য়ানরবা ৱাফমনি। মণিপুরদা নুপী ফুটবোল শান্নরোই খর পুথোক্লীবা অসিদি লোকেল ক্লব খরনা থৱাই য়াওনা হোৎনবদগী থাক অসি য়ৌনা পুথোকপা ঙম্লীবনি মসিদা মণিপুর লৈঙাক অমদি ক্লবশিংগী অপেক্স বোদী ওইরিবা অম্ফা অনীদগী শেল থুমগী মতেং অমত্তা ফংবদি ওইদ্রিবনি, ক্লবশিংমরোমদোম মপুং ফানা চলাইনবা হোৎনবদা তশেংবমক মণিপুরদা ফুটবোলগীদমক মার্কেট লৈতে হায়বা য়াই অদুবু নুপাগীদমক্তদদী লাইবক ফবা হায়বা তাই ফুটবোল মশান্না থাক হেনগৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং খরদং ওইরবসু লৌবা ঙম্বা ক্লাসিক হোটেল প্রাইভেট লিমিটেট অমা থোরক্তুনা লোকেল ক্লব নেরোকা শঙাকফম হায়রগা খংনবা ক্লব অসিগী মপু ওইদুনা ভারতকী খ্বাইদগী চাওবা চেম্পিয়ন্সিপ টুর্নামেন্ট ‘আই লিগ’ য়াওদুনা মথং মথং সুপর লীগ ফাও চংশিন্দুনা আ য়ৌনা শান্নবা ঙম্বা হায়বসি লমদমসিগী চাওথোকচনিঙাইনি অসুম্না ক্লাসিক গ্রুপ্পা লমদমসিদা ফুটবোল মশান্নসিদা অনৌবা ইনোৎ অমা পীবগুম্না তৌরকপদগী হৌজিক্তী মণিপুরগী য়াম্না লিরবা লোকেল ক্লব অমা ওইরিবা মীয়াম্না ত্রাও, ক্লাকৈথেল হায়রগা খংনবা অসিসু লনাই ফার্মনা মপু ওইবীদুনা হেরো আই লীগ য়াওদুনা মাইপাকপা ঙম্নবা চংশিল্লকই য়াম্না পুক্নীং থৌগৎনিঙাইনি। লাক্কদৌরিবা চহী খরসিমদি অতৈ লোকেল ক্লব কয়া অমসু মপু চোংথোকপীরক্তুনা ভারতকী খ্বাইদগী চাওবা চেম্পিয়নসিপ টুর্নামেন্ট অসি য়াওবা ঙম্নবা মীৎয়েং শোইদনা থম্নরক্লগনি।

ফিফানা ফুটবোল চাওখৎনবা হোৎনবদা নুপা নুপী অনিমক্তা চপ মান্নবা মিৎয়েং থম্লকপদগী নুপাগী ৱার্ল্ড কপ পাঙথোকপা হৌখিবা চহী ৬১গী মতুং নভেম্বর ১৬তগী ৩০, ১৯৯৯দা চিনাদা অহানবা ওইনা ফিফা ৱুমেন ৱার্ল্ড কপ পাঙথোকখিবা অসিগা ইরোইননা ভারতসু হান্নদগী হোৎনবদি লেপলক্তবা নুপী ফুটবোল শান্নবগী থাক অসি হেনগৎপা ঙম্নবগীদমক ভারততসু অখন্নবা মীৎয়েং অমা ওইনা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদেরেসনগী মীৎয়েং মখাদা নুপীশিংগীদা ওইবা আই লীগ হৌদোকপা এদিসন অনী ফাখ্রে। ভারতকী অহানবা পাঙথোকপা নুপীগী আই লীগ মণিপুরগীসু লোকেল ক্লব অনী ক্কালিফাইদ ওইদুনা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন, ৱাংখৈ অমসুং কাংচুপ রোদ য়ং ফিজিকেল স্পোর্টস এসোসিয়েসন (কৃপসা) নাউরেমথোং শরুক য়াখি। অহানবা পাঙথোকপা অসিদা ইএসয়ু ৱাংখৈনা চেম্পিয়ন তাদুনা ভারতকী নুপী ফুটবোল ইটিহাসতা কাওঙম্লরোইদবা মফম অমা কনবা ঙমখি। অনীশুবা ওইনা হন্দক পাঙথোকপদসু ইএসয়ু অমসুং কৃপসা অদুমক য়াওখি। অদুবু অনীরকশুবা পাঙথোকপা অসিদদী ইএসয়ু ৱাংখৈ ফাইনেলদা পোদুনা রন্নরসঅপ তাহৌখি। মসিনা তাকপদি মণিপুরনা নুপী ফুটবোল মশান্নদা অখন্নবা মীৎয়েং চংদে থমদে হোৎনদে হায়বনি। তশেংবমক মণিপুর ভারতকী ওইনা অনৌবা হৌদোরকপদা মশান্না খুদিংদা মকোক থোংবা হেক্তমক ঙমগনি। অদুবু মতুং তারকপদা তপ্না তপ্না হন্থরক্কনি মসিসু হোৎনদে হায়বগী খুদম অমনি। অতোপ্পনা হোৎনখিবগী মণিপুর লৈঙাক্লা অম্ফাগা খুৎশম্নরগা নুপী ফুটবোলগীদমক অখন্নবা থৌরাং অমা পায়খৎতুনা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদেরেশনদা মরম চাবা খুদম চাংদম ময়াম পীদুনা ভারত ময়াই লৈঙাক্লা ভারতকী ওইনা অহানবা ওইনা নুপীশিংতগী ওইবা ফুটবোল একাদমী অমা লমদমসিদা লিংখৎপীনবা হায়দুনা থবক ওইনা পাঙথোক্লবা হোৎনহৌবা চুমগনি। হায়রিবা অসি মণিপুর লৈঙাক্লা হান্না পৈশা খর পুথোক্তুনা হোৎনরবদি শোইদনা মাই পাক্কনি। মণিপুর নুপী শান্নরোই মশিং য়াম্না ভারত মহুৎ শিন্দুনা ভারত চাওথোকচনিংঙাই ওইরি হায়বসি মণিপর লৈঙাক্লা খংসি ভারতনসু খংসি। অতোপ্পা অমনা নুপী ফুটবোলগীদমক হোৎনরিবা ক্লবশিং অসিসু অম্ফানা শেল থুমগী ওইবা মতেং পীদুনা চৈঙাক পীদুনা হেন্না ফগৎনবা উপাই অমা থীদুনা হোৎনহৌদ্রবদি মণিপর নুপী ফুটবোল ওরিশানা হোৎনরীবসি লেপত্রবদি, হেনখিবা শোইরোই। অষ্ট্রেলিয়াগী মলটিদাস ফোরৱার্দ সাথানথাকেরনা এএফসি ৱুমেন্স ফুটবোল্লর ওফদি ইয়ার ২০১৭ ফংখিবগুম্না মণিপুরদগী নুপী ফুটবোল্লর অমা এসিয়াগী ওইনা পুথোকপা ঙম্নবা অশাগা লোইননা অখন্নবা থৌরাং অমত্তং পায়খৎসি।

## কালালৈ চহী ৪ অথিংবা থমখ্রে

*পেরিস, ওক্টোবর ১২ঃ*

কেনিয়াগী মরাথোন রন্নর সামুয়েল কালালৈ ব্লদ বুষ্টর ইফিও টেষ্টদা পোজিটিব ওইবদগী চহী ৪ অথিংবা থম্লে হায়না এঠলেটিক্স য়ুনিট (এআইয়ু)না লাওথোকখ্রে।

মশাগী চহী ২৩শুরবা রন্নর অসি এপ্রিল থাদা পাঙথোকখিবা রোট্টরদাম মারাথোনদা ব্লদ বুষ্টর ইপিও শিজিন্নখি হায়বা খঙলকপদগী চহী মরীগী অথিংবা অসি লাওথোকখিবনি। লমজেল অদুদা পুং ২গা মিনিট ১০দা লমথুংফম য়ৌদুনা ৭শুবা মফম কনখিবনি। কুমজা ২০১৭ এথেন্স মারাথোনগী ৱিন্নর অসি জুন থাদা প্রোভিজন্নেল ওইনা অথিংবা থমখি। ৱার্ল্ড এন্টি দোপিং এজেনসি (ৱাদা)না সেপটেম্বরদা কেনিয়া অসি য়াম্না ‘সেরিয়স প্রোব্লেম’ অমা লৈরে হায়বা ৱাফম থমখিবনি।

পনবা য়াই, ২০১৬ রিও ওলিম্পিককি নুপীগী মরাথোনদা গোর্ল্ড মেদল ফংখিবী জেমিনা সুমগোঙ য়াওনা কেনিয়াগী এঠলেট কয়া দোপ্পিং টেষ্টতা পোজিটিব ওইবদগী ৱার্ল্ড এন্টি দোপ্পিং এজেন্সিনা হৌখিবা চহী খরা অসিদা তাম্থোকপা লৈখ্রবনি।

## এসিয়া পেরা গেমসতা ইন্দিয়াগী এঠলিট দীপা মালিকনা দিস্কস থ্রোদা ব্রোঞ্জ মেডল অমা ফংখ্রে

*জকার্টা, ওক্টোবর ১২ঃ*



ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা জকার্টাদা চথরিবা এসিয়ান পেরা গেমসতা ইন্দিয়াগী থ্রোৱর দীপা মালিকনা নুপীগী এফ ৫১।৫২।৫৩ দিস্কস থ্রো ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে।

এসিয়ান পেরা গেমস অসিগী মনুং চন্না ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী এফ ৫১।৫২।৫৩ দিস্কস থ্রো ফাইনেল ইভেন্টতা দীপা মালিক্কী মরীরকশুবা এটেম্পতা মিটর ৯.৬৭ শান্না লংবা ঙম্বদগী ব্রোঞ্জ মেদল অদু ফংখিবনি। রিওদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান পেরা গেমসকি এদিসনদসু মহাক ইন্দিয়াগীদমক মেদল লৌবা ঙমখি।

ইভেন্ট অসিদা মিটর ১০.৭১ শান্না লংদুনা অনৌবা এসিয়ান রেকোর্দ থম্বা ঙমখিবী ইরানগী পেরা এঠলেট থ্রোৱর ইলনাজ দারাবিয়াননা গোর্ল্ড মেদল ফংখি। সিলভর মেদলনা বাহরেনগী ফাটেমা নেধমনা মিটর ৯.৮৭ শান্না লংখিবদগী ফংখি।

নুপীগী দিস্কস থ্রো ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী অতোপ্পা পেরা এঠলেট একটা ভয়ননা মহাক্কী খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোমেন্স উৎতুনা লংখিবদা মিটর ৬.৫২ খক্তমক য়ৌবা ঙম্বদগী ইভেন্ট অসিগী মমৈ ইথং থংনা লৈহৌরে। একটা ভায়ন নুপীগী ক্লব থ্রো ইভেন্টতা গোর্ল্ড মেদল ফংখিবনি। অদুবু জকার্টাদা ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী এফ ৫১।৫২।৫৩ দিস্কস থ্রো কেটেগোরীগী ফাইনেলদদি নিংবা কায়নিঙাই ওইবা পর্ফোমেন্স অসি পীখিবনি। পাঙথোকখিবা থিস্কস থ্রোগী ফাইনেল ইভেন্ট অদুদা শরুক য়াখিবা পেরা এঠলেটশিংগী পাম্বোম মপুং ফাবা পাঙ্গল লৈদুনা লেংবা ওৎপা ঙম্লবসু এবদোমিনেল মশলশিংদা পাঙ্গল লৈতবনা ফম্লগা লংদুনা অথোই অহেন তান্নখি।

## অহানবা নুমিৎ লোইশিনখিবদা ৱেষ্ট ইন্দিজনা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ২৯৫ লৌরি

হায়দরবাদ, ওক্টোবর ১২ ঃ

ইন্দিয়া অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজনা শান্নরিবা ক্রিকেট সেরিজ অসিগী মনুং চন্না ঙসি হায়দরবাদতা লৈবা রজিভ গান্ধী ইন্টরনেসনেল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অনীশুবা টেষ্ট মেটচতা ৱেষ্ট ইন্দিজনা অহানবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ২৯৫ লৌরি।

অনীশুবা টেষ্ট মেটচ অসিগী টোস ৱেষ্ট ইন্দিজনা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌরকপদা অহানবা নুমিৎ শান্নবা লোইশিনখিবদা ওভর ৯০ দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন রন ২৯৫ লৌবা ঙমখিবনি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী অহানবা ইন্নিংস অদু ক্রেগ ব্রাথৱাইটে অমসুং কৈরান পোৱেনা হৌদোরকখি। ওপনর অনীমক স্কোর বোর্দতা রন ৫২ শুরবদা আওট ওইখি। অহুমশুবা বেটসমেন সাই হোপনা বোল ৬৮ মায়োক্লবদা রন ৩৬ লৌরমখি।

৪শুবা বেটসমেন সিমরোন হেটমিয়র অমসুং ৬শুবা বেটসমেন সুনিল এম্ব্রিসনা মথং শিংনা রন ১২ অমসুং ১৮ লৌরমখি।

৬শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা রোষ্টোন চেজনা ইন্দিয়াগী বোল্লরশিং অদুবু নীংথিনা মায়োক্লদুনা বোল ১৭৪ মায়োক্লবদা সিক্স অমা অমসুং ফোর ৭ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ৯৮ লৌদুনা লৈরি।

ৱিকেট কিপর সেন দোরিচ অমসুং কেপ্টেন জেসন হোল্ডরবু মখোয়গী ইন্নিংস অদুদা মথং শিৎনা রন ৩০ অমসুং ৫২ লৌরমখি। ৯শুবা বেটসমেন দেভেন্দ্রা বিসুসু রন ২ লৌরগা আওট ওইদনা লৈরি।

ইন্দিয়াগী বোল্লিং মায়কৈদা উমেস যাদব অমসুং কুলদিপ যাদবনা ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেটসমেন ৩ / ৩ আওট তাহন্দুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইরি।